ৱারীমচা

খংলকই হিংবগী মহাওসু

"পাবা ....!"

মপাদু পাক হেক খুন্নক্কে, ঙা ফানবা লাংগী লৈশিন্নরিবা, য়েৎশিন্নরিবদু কন্না হন্দোকপা হোৎনরি। মচিন্দসু মৈ মুৎখ্রবা বিড়ী মতেক্তু অদুম চুপ্লি। পিশকসু খঙই মপাগী খম থেংবী হৈনজবী ওইরিবা মৈ চাক্ত্রবা বিড়ী মতেক চিন্দা চুপ্পসিনি। হি মথক্তুদা ফমদুনা পাক্লবা পাৎকী ঈমায়দুদা মচাগা মপাগনা লৈরক্লিবসি ফনা মকুইরে। অয়ুক য়েন্দা অঙন্বদগী লাং কাইবা লাকপনি। ঈপাক্তুদগী লিৎখৎলকপা নুমিত্তুসু হৌজিক্তি কোকতোন য়ৌশিল্লক্কদৌরে। ঙাসু ফনা য়াম্লে, হিরুবাক্তু তঙ্খায় ফানিংচিৎমক নত্রবসু ঙাগী ঙা ঙাক্তা ঙাইরে। ঙসাইমখৈ পীশক, ঙাশিংদু খন্দোক–খনজিন মঙ্খোক মনশিন তৌরম্বনি। করি খল্লবনো, মপাদা করিগুম্বা হংনিংবগুম মপা য়েংনা–

– "পাবা, ঙসিদি ঙাশিংসি ঐগী ওরগেকো?"

– "কৈদৌরে, করি অমুক ৱাৎলে, য়ারোই, লৌগে হায়রগা তঙ্খায় অমা লৌ, চেঙ লৈহৌদবদু নং সু খংলি নত্রা?"

– "অদুগীনে ঐনা লৌগে হায়রিদো!"

মচানুপাগী পাউখুমদা পিশকপা শ্বাই লাওই, করিসু খংজদ্রিবা মচানুপাদা ইমুংগী লৈত–লায়রগী ৱারী হৌদোক্লুবদু মথন্নতা হঙ্গোইজরকই। খংহৌদনা খুমদোকখি,

– "ফরে নঙনা থোকপা তৌরো!"

ৱাহৈদুদা পিশক মপাদা লকক য়েংই।

– "ইমান্নবা দিপক্কী মমানা ঙা য়াম' পুরকউ চেংসু, পৈশাসু পীগে হায়হৌবা, ঐনসু য়াথোক্লুবা, অদুগীনিদা..."

পিশকপা মচাবু য়েংলগা পিগী ঈরা চেল্লকই। চহি নৌরিবা মচানি। ক্লাস ফাইভতমক তল্লি, মচাবু লাইরিক হৈহন্নিংদুনা ৱারসু ৱানা প্রাইভেট স্কুলদা তমহল্লি। লাইরিকসু ফৈ, ফার্ষ্ট তাদুনতা লাকই। মমাদু নাদুনা লৈবদুদা ছুটি নুমিৎকা ওইবনে ঙসিদি নমদুনা মপাগী মতেং পাঙহনবনি। মচানুপাবু মনিং থুংহন্দ্রে খল্লুবদা পিশকপা মথম্মোয় নৌরকই। মচাদি উহন্দনা লোন্না পি তৈথোক্লগা

– "অঙাওবা– মীঙোন্দবু লৈতে–লায়রৈ হায়রুরিরো, পাবদি ইকায়জৈদা!"

– "পাবা, য়াম্না চম্বা ইমান্নবনে, স্কুলদা ঐখোয় অনিতনি তিন্নরিবা। মপাসু মমাসু ডাক্তর ঙাক্তনি। দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুন্না থবক তৌই হায়। ক্বার্টরদা লৈরগা লাইরিক তম্লিনে। ঐখোয়দা লাক্কনিসু হায়।"

মপা মচাগী ৱারীদুদা মতম খঙহৌদ্রে, থেংলম্লে। পিশকপানা তহা তহানা –"পিশক–থেংখ্রমাল্লে, কাননবা তৌরসি, নমাসু মশা ঙমহৌদে– হি হোন্নবা তৌরো।"

পীশক্লা হি হোন্নবা নৌদু পায়খৎপদা ঙাইরি মপানা ইঙ্গিৎ তৌরকপদু উবদা চপ লেপ্পী। য়াম্না খুৎলৈ থুনা ঙাফা ঈলদু লংখ্রগা তন্না চীংখৎলি। পিশকতি ঙকপা খম থেংলে। চাওর–চাওরবা ঙা মঙা তরুক পুল্লপ মপানা হি মথক্তা চীংখৎলকই, হরাওনা নোক্লগা মচাবু য়েংদুনা–

– "ঈশ্বরনা পিরবনি, চৎলসি, সি ওইরদি নমাসু ডাক্তরদা পুবা য়ারনি।"

হিদু পাক্ল ঈপাক্তুদা তনহোন হোনগৎলকপনা মপা মচাগী পাৎপান্দা লৈরিবা খাঙপোকশঙ উরক্লে। লাক্ন–লাক্না মপাসু মমা অনাবীগী ৱাখল খল্লি, পিশকসু নাহৌরিবা মমাগী ৱাখল খন্ন–খন্না য়ুম য়ৌখিবা খংহৌদে। হিদু মফম চানা থাংজিল্লম্লগা মপা মচা ঙায়ামদু পুদুনা কারক্লে।

মাঙ্গোন্দা মশা নানবা নুপা অমগা নুপী অমগা মোরাদা ফমদুনা লৈরিবদু উবদা মপা মচা য়েংনৈ। খংহৌদনা ইমুংদগী নুপামচা অমা চেঙ্খোরক্লগা হায়, পিশক, ঐখোয় লাকইনে, তু পাপাসু মামাসু য়াওরকএ।

বি.সি.খুমনচা

পিশক মায়থোং লাংশিল্লি, "নংদি হান্না লাক্কনিসু হায়দনা, পাপা, মামা নমষ্টে" মপাদা ওনশিল্লগা "দিপক, ঐগী বাবানি"। মপাদু তিঙক মাইঙক্লা দিপক্কী মপা মমাবু খুৎ লোন্নদুনা ব্যাবহার উৎলি। পিশক্লা–

– "পাবা, ঐনা হায়বা ইমান্নবদুনি, দিপক,..."

– "ইচাদি মশক ফজৈদা– মরমসু ওক্লমগদবা মাল্লি..."

দিপক্কী মপাগা মমাগদু ফম্লম্বদৈ হৌগৎকে তৌরকপদা পিশককী মপানা

– "য়ারে অদুম লেংশিন্বীয়ু, পাউ খংদবনা নোংঙাল্লমদাইদগী পাৎ কুম্লুবনি, নাতৈবু য়াম্না চারে ঙা অচৌবসু ফারকই, ঙসিদি চাক চারগা ৱারী ৱাতাইসু শাখিসি হায়ববু।"

– "করিসু অকাইবা লৈতে, অদুবু ঙসিদি হোস্পিটালগী দ্যুটি লৈবনিনা খজিক নাতৈ চাদ্রে, নোংমাইজিংদা অমুক লাকচগে।"

দিপক্কী মপাগী চীং লেম্লবা পাউখুমদুদা পিশকপা ৱা ঙাংফম খংদ্রিঙৈ দিপক্কী মমানা মতেং পাঙশিল্লকই

– "তাদ, ঙসিদি য়াদদনা তৌবনি, নোংমাইজিং নুমিত্তা শোয়দনা লাকচরগে। পাৎতসু হি তোংলগা কোইবা চৎসি।"

– "অদুগীদি করিসু থোইদোক্তেদা, ঐ লৈরি, পিশকসু হি হোনবদি পাকানি..."

ৱারী তৌরিঙৈ পিশক মমানা চা পুথোরক্তুনা য়েল্লকপদু উবদা পিশক'পানা ঙকখ্রদুনা

"হায়, নংবু নাবা ফরব্রনে?"

– দিপক্কী বাবাগা মামাগনা লায়েংবীবদগী খংফ–ফরে, চা লোল্লিসিনি।

নোক্লা খুন্নকপা মাগী নুপীগী পাউখুমদা হেন্না ঙকখ্রদুনা পিশকপা দিপক্কী মপা মমাদা য়েংলুবদা দিপক মপানা নোক্লগা–

– "তাদ–ইতৈমসি ঈ খরা ৱাৎপা মাল্লি, অহাবা খরা পিজবা ফরে, করিসু তৌরোইদা" দিপক মমাসু মতেং পাঙশিল্লকই,

– "হিদাক লাংথক, ভিটামিন লোয়নমক পিরক্লগে। ইচে নাবা য়াপোৎ নত্তে।"

হেন্না ঙক্লবা পিশকপা হরাওবনা মীৎতগী পি শিন্থরক্লে, করি হায়গদবনো চঙক্লরিঙৈ দিপক মপাগী ফোন লাকপদা লৈথোকহৌদুনা পিদু তৈথোকচৈ। দিপক্কী মপাসু ফোন্দা ৱারী শানরি।

ঙসাইমখৈ ৱারীদা কাওথোক্লুরবা মচানুপা অনিদু কোম্থোংলোমদগী লেঙ্গোন্নরদুনা চংলকই– মমা মপাশিং নুংশিনা য়েংনরি। য়াম্না তপ্না দিপক্কী মমানা–

– "তাদ – ঐখোয় দিপকসে নুমিৎ চুপ্পা পিশকপুদা শোন্দুনা লৈ, স্কুলদসু মখোয়নি রোল নম্বর ৱান–টু ওইরমাল্লে। লাইরিক তম্বদা মনিং থুংহনবীয়ুকো..."

পিশকপানা খুমদ্রিঙৈ দিপক্লা শুমাংদগী লাউরকই,

– "পাপা–মামা ঐখোয়নিদি হি তোংলগা পাৎতা চৎলুই, অস! পাৎতুদি পাকইহে...।"

ময়ামদু ৱা লাওনা নোক্লম্বদগী ইংথনরকপদা পিশক মমানা ইমুংদগী ময়োম মচা মচা মরি মঙা পুথোরকই। ঙাগী য়ুমনিনা ঙাফক, ঙমু লৈরৌ, ঙা অয়ায়বা ওইরমাল্লে। দিপক্কী মপাসু মমাসু হোয়–মায় হায়দনা ঙাশিংদু ফাক্তুনা য়েংলি। মায়থোংদা হরাওবগী মমিসু তারি।

লাইরবা পিশকপা, ঙসিদি লৌশিং ফংজবগুম্লে। মচাগীদমক মপা অমগী থৌদাং ঙসিতা মশক খংলকপগুমই। লায়রবনা লায়চুরবা পিশকপা হিংবগী মহাও খংলকপগুমসু তৌরকই। হিংনিংলকই মচাগীদমক, নুপীগীদমক।

(লোইরবা)

কয়াদা পেঞ্জগদবা

খল্লোই হায়বা শুকয়া য়াদে, কাওথোক্লবা হোৎনরুরগসু হেন্না হেন্না নীংশিংলকই। নুমিৎ অদু ঐ পরিক্ষা লোইদুনা য়ুম চৎনবা হায়দুনা লাইরিক খাও টেবলদগী লৌগে চংলকপদা মাগী মখোঙদুনা ঐগী খোঙ লৌহন্দুনা তুশিনখি। ইকায়বনা ইমান্নবা ময়াম অমদি ওজা মমাংদা ঐ মায় ঙাকশং ঙাংনা লৈমায়দা লৈরিঙৈ খংশিন্নদনা চৎখিবা শোয়তান অসিনি য়াম্না পেন্দ্রিবসে। ওজানা চংশিল্লক্তুনা ঐবু হৌগৎপীরে অদুগা হায়রকই – তপ্না তৌবা য়াদ্রা? তফিং তফিং পরিক্ষা লোইবগী নমায় থকপদা খুকউসু ঈ থোক্লে নমায়সু কুরোল হুবমখৈ শোক্লে চৎলু হেদ মাষ্টর কাদা হিদাক হাপ্পনবা। অসি হায়রগা মেদাম অনিতানা ঐবু শল্লগা চৎমিন্নে। ঐ ইথন্তা খোইদৌ পংশাওদা শাওনিংই, পিসু তাই অমুকসু পাপ্পীদুনা তৌরম্বদু নীংশিংলগা নংদদি গাড়ীনা তকথৎলুকো ইথন্তা মুরুম মুরুম শোন্না চৎপনা হেদ মাষ্টর কা য়ৌরে। ঐ উবদা হেদ মাষ্টর অদুনসু ঙাংলকই ওজা অতৈনসু ঙাংলকই– তৌরিবা পাপ্পী অদুনা তৌবা অদুদি খংদবনিনা ঐঙোন্দা ঙাক্তা ওনশিল্লক্লে। হিদাক হাপ্পা লোইরদুনা ঐগী খাওদু পায়রগা সাইকল পায়রগা থোক্লককপদা রোহেনগা অনিতা মখোয় অনি থেংনদুনা য়ুম তান্না লাকমিন্নরে। রোহেন্না হংলকই– কম্মাই তৌদুনা শোক্লিবনো রিনা হায়বদুদা ঐনা ৱারী প ুম্বা লোয়না লিবদা রোহেনসু অশাওবা ফোংদোরকখি– জয়সি য়াম্না ফত্তবা মীনি, মপা মন্ত্রি ওইরবনি হায়দুনবু মী উশিত্তবা মাগীসু মতম লাকখিনি। করি অমত্তা নুংঙাইতবা তৌরুরনু, ঐখোয় ময়াম লৈরি। মানা মখা করি তৌরকপগে য়েংবা তাবনি। ক্লাস অমত্তদা তম্মীন্নরগা শোয়খ্রেকাসু হায়রমদনা চৎখিবা হায়দুনা শাওনা ঙাংখি। য়ুম য়ৌরকান্দা ইমা লৈরম্বদগী ইমাসু ঙক্লা চংশিল্লক্তুনা ইপা পাখৎনা–করম হায়না তৌরিবনো হায়না ঙাংলগা চেনশিল্লক্তুনা ঐবু খুৎ শমদুনা পুশিল্লি ঐগী কাদা। ঐনা হায়– য়ানিদা করিসু তৌদে চুম্না খরা শোকপনি তুবদা হায়দুনা ইমুংদা চংশিল্লি। রোহেন, অনিতাসু চংশিন্নরক্তুনা ঐগী কাদা ফম্মিন্নদুনা ৱারী–ৱাতাই শান্নরবা মতুংদা মখোয়সু চৎখ্রে।

কামহে খুমনচা

রিনা শক–চু য়াম্না ফজবী অমদি ওইদে অদুবু মাগী রাশি লৈবী মায়থোং উবদা কল্লক খম্বন চাওদবা মীওইদি অতাংবনি। পিক্লিঙৈদদি লাইরিক ফনা হৌরকপনা মকোক নত্রগা মথং তাদুনতা লাকখি। হন্দক্কী ক্লাস টুয়েল্ভ অসিসু ৱাংনা লাকপা ঙমগনি হায়নসু ওজাশিংনসু থাজরিবী রিনানি। মশানসু পোজিসন ফংগনি থাজজদুনা য়াম্না হরাওনা থোকচরকপদা জয়না মাবু ইকায়বা নংহনখিবনি। নুমিৎ অদুগী থৌদোক অদুদগী মহাক জয়বু য়েক্লবা অমগুম্না খনবা হৌখি। অসুম্না নিংঙমদনা মতম খরা লৈরক্লবা মতুংদা পরিক্ষা হায়দোরক্লে। রিনা অনিশুবা পোজিসন ফংদুনা স্কুলগী মীংচৎ পুরকপা ঙমখি। মাবু পোকপা পলেম পন্থৌ অমদি মবুং বিমোল মচলনা পরিক্ষাদা মশক থোক্লা মায় পাকপা ঙম্লকপা অসিগীদমক য়াম্না হরাওজরম্মী। অদুবু মচনবু করম হায়না মখা তানা মহৈ তমহনগদগে খনবদা অৱাবা অমদি লোয়নদবা নত্তে।

মবুং বিমোলনা খল্লিবা অদুমক রিনাগী মপা মমাদস মখা তানা তমথনবগী লম্বেল অসি মঙগা চপ মান্নরম্মী। রিনা আশা চাওনা খঞ্জরগসু মাবু মতেং পাংবিগদবসে লৈতবনিনা য়াম্না নিংঙমদনা লৈরি। সোমদনা জয় মন্ত্রি মচানি কেথোক মৌথোক্লা লৈরকখিবা ৱাথোক চাওবা মহাক পরিক্ষাদা পাসতমক তৌরগসু মপাগী ইজ্জৎ য়েংনা কলেজ মিং চল্লে। রিনা মাগী স্কোলারশিপ ফংবা কয়ানা মিং চন্দুনা মখা তমথনবা থৌরাংলি। কলেজ কারে অনৌবা ছাত্রী মমান্নবী কয়াগা লোয়ননা শকখঙ মায়খঙনদুনা অহোংবা কয়া অমগা লোয়ননা চহি হৌখিবা খঙহৌদনা বি এ ফাইনেল লোয়খ্রে। রিনা কলেজসিদসু রেঙ্ক ৱাংনা য়ুনিভর্সিটিগী টোপ হোল্ডর ওইদুনা লাকপনা অখন্নবা প্রাইজ কয়া ফংদুনা লাক্লিবনি। লৈখোমলক্তগীসু থম্বাল শাৎলকপগুম লাইরবা ইমুংসিদগীসু রিনা মঙাল য়াওনা শাৎকায়নবা য়ুনিভর্সিটিগী বি এ পরিক্ষাদা খ্বাইদগী মকোক থোংবী ওইরক্লে। মচাগী নুংঙাইবা পাউ তাবদা লাইরবা মপা মমা অমদি মবুংনা মমিত্তগী পিরাং শিন্থরকখি। লোয়ননা মাগী মাগী থম্মোয়নুংদা খন্নখি– লাইরবা ইমুং অমা ওইরমদ্রবদি কয়াদা পেঞ্জগদবা।

–লাইরিক্কী উনবা–

ডাক্তর কমল ঃ পুন্সি অমসুং মঙলান

ডাক্তর লাইরেনলাকপম সরতনা চোকথবা লৈতনা কুমজা কয়া হোৎনদুনা অইবা লাইরিক অমা ওইনা পুথোক্তুনা লাইরিক পাজনিংবা কয়াগী খুত্তা য়ৌহনবিবা অসিমক অইবগী অচৌবা মাইপাকপা অমনি হায়জনিংই। হায়মনবা থোক্লরোই খল্লি। লাইওইখ্রবা লাইগী মতিক ময়াই চেল্লবা ডাক্তর লমাবম কমল সিংহ (১৯০০–১৯৩৪)। করিগুম্বা হৌমিন–কামিন্নবগা ওইরম্লবদি নোংদোল খুৎনা লাম্বা ফংবগুম। অমরোমদা মমিফাও কোয়থোক্তুনা চৎচরমগনি। থোইদোকপা মতিক ময়াই হায়ববু মমল নাইদ্রবা খুদোল কয়া তম্বিরম্বা কয়া অসিনা লেংদ্রবা চাংদমওইরি। অইবনা থম্বিরম্বা খুৎদোল খরদং পনজরবদা লৈ পরেং, মাধবী, ব্রজেন্দ্রগী লুহোংবা, দেবামানী, অচোইবা শৈরেং খরা। মীয়ামগী লেংদ্রবা লন ওইরবা শক্লইরবা অইবা অশিগী খোমজিনবা লাইরিক অমসু পোক্লফম পব্লিকেসন্সনা পুথোকপিখ্রে। অসিগীদমকতা লৈখিদ্রবা শামুরাইলাৎপম গোপাল শর্ম্মগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎচরি। তৌবিমল কাউজরোই। ডঃকমলগী খুৎইশিংগী মনুংদা মাধবী উপন্যাস রেদিও নাটক হায়নরম্বদগী রেদিও লীলা তারিমখৈ পেনবা নাইদ্রিবা তানিংবগী মহাও পিবা ঙম্বা খুৎইনি হায়জনিংই। অশুক চাংদম্নিঙাই লৈত্রিবা খুৎই অসিবু করিসু খঙজদ্রিবা ঐনা অখঙ–অহৈ শাদুনা করিগুম্বা কাংথোকচবা অসি অমম্বদা মীৎ উইশিল্লগা খুদুপ থাদুনা চেনবগা পাংখক্লি হায়জনিংই। ওজা সরতনা চহি কয়া চংনা ডাঃ কমলনা হিংদুনা লৈরিঙৈ মতমদা কমলনা থেংনখিবা কয়াবু অমুক নৌহৌনা ঐখোয়গী মীৎমাংদা শং–শঙনা উহনবগুম। ডাক্তর কমলঃ পুন্সি অমসুং মঙলান হায়না কৌবা খোমজিন পাউদম লাইরিক অসিনা অমুক অনৌবা ঈনোৎ অমা হায়বদি ঐখোয়দা কমলনা ইরম্বা লাইরিকখক পারগা করিগুম্বা খরা পুক্লিংদা ফাওবদু। অমুক ওজা সরতনা অনৌবা মঙলন অমমুক মঙফাওনহল্লে। পাংজদ্রবা ঐনা সোসিয়েল সাইন্সকি মহৈরোই অমা ওইনা মতম মতমগী খুন্নাইদা থোক্লিবা প্রোব্লেম, ৱাথোক কয়া অদুনা মতমদু করম্বা খুন্নাইরোলনো হায়বদুনা অদুম্মক তাকচরবনি। কমলগী হিংলিঙৈ পুন্সিগী মতমদা মহাক্লা তঙাইফন্দনা লাইরিক লাইশু তম্বদা থেংনখিবা অৱাবা কয়া, ইনখৎলকপা মতম অপাম–নুংশিনা শাফোংলকপা, মতম অসিদি লায়রবা অনঙবা থিদনা লোৎপা য়াদনা লৈরাংগী লৈনম্না শিনবা থুংনা শন্দোকপগুম খেন্নবা মফম্লৈতনা, অসিমকতনা লাইওইখ্রবা কমলনা মহাক্কি পুক্লিংনা শাগৎপা ৱারেং মাধবী উপন্যাস নোভেল মাইপাক্লা হিংহৌরিবা ঐখোয়গী অতাঙবা লন ওইনা থম্বিরম্লিবনি। চেন্নবা য়াদ্রবা খুদম চাংদম অমদি চেজন কয়াগা লোয়ননা অনৌবা খুৎই অসিদা মপুং ফানা পাউমলে হায়জনিংই। ইনখৎলকপা যৌবনগী পুংজা নুপী ওইবিগীশু ফিভমশুবা মতম। থিক–থা শানা ঙানা কল্লকপা মতম।(লমায় ১৮) সোরাম নিঙোল বিধু দেবী গী পুন্সিনা য়াচঙলকপা মতমদা ৱারি অমদি ৱাহং পাউখুমদা অইবগা ইনে বিধুগা ইং ১৯৭৩ গী অগষ্ট থাদা ইন্টর্ভ্যিুগী শন্নপ্পা ৱারোল – কমলনা করি করি ইনেদা হায়ম্বা লৈবগে? পাউঃ মানা মীরৈবাক্তা লাইরিক তম্বা চৎখিবা মতম অদুদা ঐখোয় ময়াম লৈপল মরুমদা কিথি কিরুমু য়েংলিপোৎনি। লাইরিক তম্বা চৎখ্রিঙৈদা মমা লৈখিদ্রে। মমাগী শোরাৎ নংননবা থোক্লককই। শোরাৎকী থোক্লকপগী হল্লমদাইদা নোংমা নুমিদাংৱাইরম অমদা লাইরিক তম্বা লোইগদবা কুইদ্রে থোক্লকপা ফাওবদংদি ঙাইবিরম্মু হায়রম্মী। কমলগীদি মীকুপ অদু কাইনবগা শেৎনবসিনি। অপোকপি পলেম মমাবু শিনা কায়নরে। মাগী চান্নবী বিধুসু হিংনা শেৎনরিবনি হায়না ঐগী থম্মোইদা চৈনা ফাওই। মতমদু ফিউদ্যেলগী লৈঙাক ওইরবসু অদুমঙাই হৌজিক কেপিতেলিষ্ট দিমোক্রেসি ওইরবসু ইনাক কৈরাক খুনবা সঙ্গ শক্তি লৈবশিংনা। তোল্ল তারবা লৈত–লায়রবা কাদা হন্থনা য়েংবা হৌজিকসু অদুম্মক লৈরি। মাগী চান্নবী কাইনবগী মৈচাক্তি মুগল শম্রাট শাহজহান অঙকফংনা মমতাজ শিনা কাইনমৈচাক ঙশি ফাওবা কনানসু কাউনদ্রিবনি। য়েংউ– য়েংউবদা মচা, মনাই, অঙম অথৌ ৱাত্ত–পাদ্রবা মহাক ফাওবদা কাইনা মৈশা লাংখিবনি। মশিদি মীওইবনা পলেম মমাগী পিবুক্লুন্দগী তায়বংদা খোংদারকপাদগী অরোয়বা নিংশা হোনবফাবা মথৌ লেপ্টনা তৌরি থম্মোইগী মতম চুপ্পদা লোইনজবা মথৌনি। লায়রবা খক্তমক থম্মোয় কায়গনি হায়বা লৈতে। (লামাই ৭) বিদনা জল প্রপাটকি পুক্লিংহুনা ফজরবা। (লাঃ ৩২) ডাঃ কমলগী ইং ১৯২৭ তগী ১৯৩১ তমেংলোংগী ক্বাটর অদুগা অরিবা তমেংলোং দিসপেন্সরি পুক্লিং নুংশিনা উগনি। (লাঃ ৩৬) চীংনুং মাননুংদা ..... খুঞ্জাশিংনা লুনা চান্না তৌরমলোইদৌবগী মরমলৈতে। কমলগী ডাক্তর অমা ওইবগী কথোকপগা লোয়ননা মীয়ামগী সেবা উবাফংই। (লাঃ ৪২) কায়ন মৈরিলক্তগী শরুক অশিদা কবি ডাঃ কমলগী পুন্সি পন্দোন লোম্না খাংখিবা অৱা–মৈচাক্লি হায়জনিংই। (লাঃ ৪৪) চীংনুংগী চেক্লা.... রমডাল্লিউ মনিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকি কৈখু কবুইখুন্দগী পনতিফু কামৈগী অনীশুবী তালোয়গী ফোতোগা কোন্নলা উবা ফংবিগনি। (লাঃ ৪৫) ইপা (কমল) ... ফোটোশিংদি মচানুপী য়াইমা পৌনিল্লিউদগী ফংলকপনি। ওজা ডাঃ লাইরেল্লাকপম সরতকি খুৎই অসি লমায় অমফাওবা পরেং অমা ফাওবা কানবা য়ারোই। মালেমদা ফনা হোংলে চাওখৎলে হায়রবশু মাগী মাগী খুদোংচাবা লৌনবগী খুৎলাই ওইনা শিজিন্নখিবা (লাঃ ৪৮) পঃ ১৫" শোক্ল–শম্নবা য়াবা য়াদবা ...লৈ না থেংনখিবনি। কবিগী শৈরেংগী , চিংয়াগী লৈহাও, অতৈ কয়ানি চির বিদায় থম্মোয় শোক্লা পাউদম্বা পাউখোংচনবা শৈরেংঙাক্লি হায়জনিংই। পাউচেগী অপিকপা কাখল অশিদা কবি ডাক্তর লমাবম ফমলগী পাক চাওখ্রবা মীৎয়েং অমসুং হনবা নায়দ্রবা থৌনা অদুবু অমুক নৌহৌননা ডাক্তর লাইরেল্লাকপম সরত না মপুংওইনা পুথোকপিরি লাইরিক অশিদা। কবি কমল অওনবা, অহোংবা পামজবা মালেমগী অনৌবা চাওখৎ মাইকৈন্দা খোং থাংজিনবা পাম্বা য়াওল অশৈবনি সরতসু থোইদোকপা থাক য়াওদ্রবা মশামক পব্লিশরগী ৱারোলদা। ইং ২০০৪ দা মনিপুর য়ুনিভরসিটিদগী তোপোনিমস ওফ মনিপুর" (স্পিসিএলি মনিপুর ভেল্লি) হায়বা হীরমসিদা ডোক্তর ওফ ফিলোসোফি ডিগ্রি ফংখি। তাঞ্জা অসি ফাওবদা ডাঃ লাইরেল্লাকপম সরত হায়দে চুম্নগী মহৌশাগী মহৌশা ওজা সরতকি মনাৎতা অদুম্মক হিংই, চৎলি। মচৎ অসিমক নাপল য়াওদবা পুন্সি মরেল অদু ইঙান ঙান্না উরবনি। কনাগুম্বা অইবশিংদগী পুমতোপ–তোপ্পা খুৎইনি। প্রাইমারি অমসুং সেকেন্দরি শোর্চ অনিতুনা য়েংবা কমলগী পুন্সি খোংগুল লিক্লমদু থীরুবনি। মদুদা ফংলকখিবা মচাক শিংদু অমুক শাহিত্যগা চুনবা চানবা করি য়াওরিবগে হায়বদু উৎনবা হোৎনৈ। অইবগী মীৎয়েংসিদা কমলনা সাহিত্যগী মচাকশিং করম্না খোং কয়াদা করি করি থেংনখিবগে হায়বদু তাক্লবা হোৎনবনি। চুম্নতগী মীওই অমদগী ৱারি তারুবগী পাউদমদু নত্তে। তেবল মনাক্তা ফম্লগা শাগৎলকপা ৱাখলগী লংলা লংজিন্দুসু নত্তে। কমলগী পুন্সিবু মশক খঙলবতদা মাগী শাহিত্যসু মশক খঙগনি হায়বগী পান্দমদা খুৎথাবনি। লাইরিক অশিদা কমলগী বাইওগ্রাফি হায়গদ্রা, দিশকোভরী নত্রগা নিউলি ত্রক্সপ্লোর তৌবনি হায়গদ্রা, অপাবশিংগী মীৎয়েং ৱাখলগী মখা পোনহনবদৌনা থম্লম্মী ■



লাইরিক্কী মমিং ঃ ডাক্তর কমল ঃ পুন্সি অমসুং মঙলান
অইবা ঃ লাইরেনলাকপম শরত
ফোংবা চহি ঃ জানুৱারী ২০১৪
অফোংবা ঃ এল. সি. মারতিননা মণিপুর এসোসিয়েসন ফোর সাইন্স এন্দ সোসাইটি (মাস) ইম্ফালগীদমক ফোংজবা
লাইরিক্কী মরমদা ঃ মমিলুৱাং

শৈরেং

খুৎশুমল

খম্বা মৈতৈ , ময়াং ইম্ফাল

লমদম্নি, VIP VVIP গী পুন্সিরোলনি খাউবুনাইগী
খাংলিবনি সর্ব্বহারা কয়া পৎ–তৎন নংলবা
নেমখ্রব–পিকখ্রবা খুৎশুমল চাকখাউখক থনহনবা ঙমদ্রবা
ঙাইরিবনি লাইগী থৌজান্নি, লাইগী নোংদম্নি খন্না।
নোংমগী অফংবা লুপা ১০০,২০০,৩০০ নুপা–নুপী
লৌকুম–শিংগুম, কুম্বি–কালেন, নিংথম–কাম্বি
ইঙা–নোংজু ৱাকচিং–উলেন ঙম্নমক নাচুংদনা।

তরেৎ–শেঞ্জা ক্বেরৌ নোংজাগী ১৩০,১৪০, লুপানি লুপা
জোব কার্দকী তন্দে–মান্দে, থৌশিল খুৎপুগীনা
জোব কার তনৌ–তনৌবা কম্পনি মোদেলগী।
কোরৌ নোংমগী লুপা ১৬৬.৬৬ খুৎশুমন্নিদো
লোইদাম থাজ ফারগা লুপা ৫০০০ নি
অৱামল, সি এম ত্রিপুরা মনিক সরকার
য়াইফনা সেবা তৌসনু মীওইবা খুন্নাইগী।

সনালৈবাক মণিপুরগীদি কোরৌ নোংজাদা
লুপা ৩৩৩৩.৩৩, লোইদাম থাবুম ১গী
তরেৎকি শেঞ্জা লুপা ১০০০০০ কয়াদা
খেন্নখ্রবা ইনক–নক্লা ইঙান–ঙান্না।

ওকচরেদা

লাইশ্রম দেবেন

তাবদা ৱারে, নাকোং পংজনিংঙেদা
অমা খং, চামা খং আ লিশিং
শাবাক ফাক্লে মনম নমথীরে
শারিঙৈদা করিগী য়ৈহৌদে
লৈখাং চাদুনা তোক্লনি
হিংচাবী মাগী শরিদা।
মচা লৌথোকউ ইচা শুমগে
ফম্বা চল্লগা হিপ্পা চল্লি
শাইবা কল্লগা ওইনম্বা হেল্লি
কৈদা লোৎখরে পাঙ্গল্লবা নখোয়
মবুং তরেৎকী মচন্নি হায়বদাই!
হাদা কৈবুই কৈয়োইবা ও
ননিং নমাং হোত্রোং হো
অমদো লৈমা কাং কোক!!

ঐ লৈরি নংগীদমক
ঐ হিংলি নংগীদমক
মীত্রং লাংদা থুজখ্রে
ঙসি হয়েং মথং মথং ...!!
কাওবৈ লৈরোল চনখরে
হিংবতা মঙাইরে তাইবংদি
মমি শামলে, মহাও চেন্দ্রে
নং ঐ মা নহাক!!

তীল

নিংথেমপিশক ৱাইরোকপা

নশাগীনি খন্না চারিবা
মীগীদমক নহুম হাইরিবা
তীল, তীল
লৈমতীল
চারো নবুক থন্না
হূনবিগে নচীঞ্জাক ৱাত্তনা
হিংঙুকো নপুন্সিদো মীগীদমক
খৈনা য়াস্কোকথকসিদা।
অরোইবা মীকুপ পুংজাদা,
তৎ–নাইদ্রবা মীৎলু পীরাংনা
হুক্রুম্বদো নচাগী থম্মোয়দা,
লৈরাং লৈনম মাংদ্রি।

পলেম ইমা

–এ. সমদ–

হো ইমা পালেম ইমা
পলেম নংবু নুংশিবী,
পারি ইমোমগী খনবদা
ওইখি অৱাবতনা ইমাও!

হো ইমা পালেম নুংশিবী,
নপারী পাঙ্গল চাওরক্লে
খোল্লাং লমন শিংলগে
পোইমা নুংদা খল্লকই।

হো ইমা পলেম ইমা
পীক্লা খাংপোক মচিদা,
খুত্তা থাওমৈ পায়দুনা
নপারী হল্লকপা ঙাইরম্বদো,

হো ইমা পলেম ও
খাংমিন্নখি অৱাবা কয়া,
নিংশিংলকলে ঙসিদি নচানা
শিন্থরক্লে পিরাং লেপ্পনা ইমাও।